# মেক্সিকোদা মেগনিট্যুদ ৮.১ য়ৌনা যুহা হাখ্রে, মীওই ৩২ শিখ্রে, অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রে, অপিকপা সুনামি থোকহনখ্রে

মেক্সিকো, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :
মেগনিট্যুদ ৮.১ গী যুহা হাবা অমনা শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা মেক্সিকোগী খা থংবা কোষ্ট নিকহনখ্রে হায়না যু এস জিওলোজিকেল সর্ভে (যু এস জি এস) না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২ শিখ্রে অমসুং অপিকপা সুনামি ঈথক-ঈপোমশিং কাহনখ্রে তৌইগুম্বসুং কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকপদি য়াওখিদ্রে হায়রি।



যুহা হাবা অদু মেক্সিকো সিটিগী মফম কয়া পুংপাক পাকহনখিবা অমসুং মীওই লীশিং কয়া শিখিবা কুমজা ১৯৮৫ গী শাথীরবা ট্রেমর অদুদগী হেন্না কনখি, তৌইগুম্বসুং হন্দক্কীসিদদি অমাঙ-অতা থোকপগী চাং নেমখি।

মেক্সিকোগী খা থংবা লমদমগী মফম খরগী বিল্ডিং খরা ফিভম থীনা অমাঙ-অতা থোকখি। অহানবগী ওইনা ওক্সাকা ষ্টেটকী জুচিতানদগী কিনিঙাই ওইরবা পাউদমশিং লাকখি। মফম অদুদা টাউন হোলগী শরুক খরা, হোটেল অমা, বার অমা অমসুং অতৈ বিল্ডিং কয়া ফিভম থীনা নিংখায়দুনা অকাই-অতোই মপৈশিং ওইনা পৈখ্রে হায়রি।

শাথীনা শোক্লবা মফমশিংদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অহিং চুপ্পা নিংখায়রবা বিল্ডিংশিংগী মরক্তা ৱানা মীশিং থিখি।

মেক্সিকো সিটি এয়রপোর্টতা থোংনাও কয়া কায়খি অমসুং কেপিটেলগী নৈবরহুদ কয়াদা মৈগী সপ্লাই লেপখিবগা লোয়নননা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়রি। খা থংবা টুরিষ্ট সিটি ওক্সাকাদা হোটেল অমগী কোর্নিস কেল্লকখি হায়না ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি। ওক্সাকা ষ্টেটকী গভর্নর অলেজান্দো মুরাটনা মহাক্কী ষ্টেটতা মীওই ২৩ শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুংইন্না জুচিতানদা মীওই ১৭ শিখি। য়ূম্লোন্নবা গ্বাটামালা ফাওবা যুহা হাবা অদুনা নিকহনখি। যুহা হাবা অদুগী এপি-সেন্টরনা শেল-থুমদা শোখহৌরবা সাউদর্ন ষ্টেট চিয়াপাসকী পিজিজিয়াপান টাউনদগী খা-নোংচুপতা মাইল ৫৪ (কিলোমিটর ৮৭) লাপ্পা লৈবা মাইল ৪৩ লুথবা মফমদা ওইখি। ষ্টেট অসিদা মীওই ৭ শিখ্রে হায়না গভর্নর মান্যুঅল ভেলাস্কোনা ফোঙদোকখি। য়ূমলোন্নবা টাবাস্কো ষ্টেটতা অঙাং অনী শিখি হায়না ষ্টেট অসিগী গভর্নর অটুরো ন্যুনেজনা ফোঙদোকখি।

যুহা হাবা অদুনা মেক্সিকোদা ফুট ২.৩ (মিটর ০৭) ৱাংবা ঈথক-ঈপোমশিং থোকহনখি হায়না পেসিফিক সুনামি ৱার্নিং সেন্টরনা ফোঙদোকখি। মেক্সিকোগী টেলিভিজননা মিটর ৫০ রোম সীগী ঈশিং হন্দোকখিবগী শক্তমশিং উৎখি অমসুং ওথোরিটিশিংনা কোষ্টেল এরিয়াশিংদা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি। সিয়াপাসকী কোষ্টতা সুনামিনা খুদোংথীবা চাউনা থোকহনবা য়াবগী মওং উদে হায়না প্রসিদেন্ট এনরিক পেনা নৈটোনা টিভি নেটৱার্ক অমদা হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা আফটরসোক কয়া থোক্লকপা য়াবনা মীয়াম্না মখোয়গী ময়ূমশিং অমসুং ওফিসশিং চেক তৌগদবনি, মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈগদবনি হায়খি।

# ইন্দিয়ন অমেরিকান নুপী ১ মরুওইবা ফম পায়হন্নবা ট্রম্পনা নোমিনেট তৌরবা য়াই

ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :
যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইন্দিয়ন অমেরিকান নুপী অমবু ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী মরুওইবা ফম অমা পায়হন্নবগীদমক খন্ননবা থৌরাং তৌরি হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি। করিগুম্বা ট্রম্পনা খল্লবা মতুংদা হাউসনা অয়াবা পীরবদি ইন্দিয়ন অমেরিকান নুপী অসিনা যু এসকী ইকনোমিক ডিপ্লোমেসিগী মরুওইবা পোজিসন অমা পায়রগনি।



মনিসা সিংহ কৌবী ইন্দিয়ন অমেরিকান নুপী অদু হৌজিক যু এসকী সিনেটর দান সুলিভানগী চীফ কাউন্সেল অমসুং সিনিয়র পোলিসি এদভাইজর ওইরি। সিনেটনা কনফার্ম তৌরবদি চার্লজ রিভকিননা রিজাইন তৌখিবা মতুংদা হাংদুনা লৈরকপা মরুওইবা ইকনোমিক এফেয়র্সকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিগী ফম সিংহনা মেনশিল্লগনি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা অমেরিকান বাজার ওনলাইনগী পাউনা হায়রি।

যু এসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসননা ৱাশক লৌখিবগা লোয়নননা রিভকিনসু রিজাইন তৌখিবনি

সিংহ মমাঙদা ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী ব্যুরো ওফ ইকনোমিক, ইনর্জি এন্দ বিজনেস এফেয়র্সতা ডেপ্যুটি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইনা থবক পুরম্বদা নৎতনা যু এস সিনেট ফোরন রিলেসন্স কম্মিটিগী চীফ ডেপ্যুটি কাউন্সেল ওইনসু সর্ভ তৌখি।

মহাক মল্টিনেস্নেল লো ফার্মশিং অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক অমদা থবক তৌরম্বগী প্রাইভেট সেক্টর এক্সপিরিয়েন্সসু লৈ। মহাক ইন্দিয়াগী নোরদর্ন ষ্টেট উত্তর প্রদেশ মচানি, অমসুং অঙাং ওইনা মমা মপাগা লোয়নননা ফ্লোরিদাদা হোংখিবনি হায়রি।

# হান্নসু শিখ্রে হায়নখিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী ‘মিনিষ্টর ওফ ৱার’ হাৎলে হায়না রশিয়ানা ক্লেম তৌখ্রে



মোস্কো, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :
সিরিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক অমা চথবদা ‘মিনিষ্টর ওফ ৱার’ অমসুং দৈইর ইজোরগী এমির য়াওনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মকোক থোংবা কম্মান্দর কয়া শিখ্রে হায়না রশিয়ানা ইরাই নুমিৎতা ক্লেম তৌখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেটকী কম্মান্দ পোষ্ট অমসুং কম্যুনিকেসন সেন্টর অমা ওইরিবা দৈইর ইজোর সিটিগী মচি অমদা রশিয়ন এয়র ফোর্সেসনা টার্গেট চপ চানা পানবা প্রিসিজন এয়রষ্ট্রাইক অমা চথবদগী আই আই আই এসকী ফাইটর ৪০ রোম শিখ্রে হায়না ফেসবুকতা থাগৎপা রশিয়ন ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

কনফার্ম তৌবা দাটাগী মতুং ইন্না, শিখিবা ফাইটরশিংদুগী মনুংদা দৈইর ইজোরগী এমির অবু মোহম্মদ অল-সিমালি য়াওনা ঈথিল পীবা ঙন্বা ফিল্ড কম্মান্দর মরি য়াওখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

আই এস গ্রুপকী মিনিষ্টর ওফ ৱার অমসুং হান্নগী সোভিয়েট টাজিকিষ্টানদগী চেনখিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৌনবা গুলমুরোদ খালিমোভ এয়রষ্ট্রাইক অদুদা ফিভম থীনা শোকপদগী শিখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

সিরিয়ন আর্মিনা চঙশিল্লকপদা করম্না থেংনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ননবা দৈইর ইজোরগী মনাক্তা ফাইটরশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা মখোয়গী মথক্তা রশিয়াগী ৱার প্লেনশিংনা ‘বঙ্কর বষ্টর’ বোমশিং থাদখি হায়না মোস্কোনা ফোঙদোকখি।

রশিয়নশিংনা শৌগৎপা সিরিয়ন ট্রুপশিংনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা আই এস মিলিটেন্টশিংনা দৈইর ইজোরগী মীচম লীশিং কয়া লাঙ্গৈাই চনশিন্দুনা থল্লিবা মফমশিংদা চঙশিনখি।

মমাঙদসু খলিমোভ শিখিবগী পাউদম খরসু লৈখ্রে। হৌখিবা এপ্রিলদা টাইমসকী রিপোর্ট অমনা মোসুলদা আই এসকী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী কম্মান্দরনি হায়না ফোঙদোক্লবা খালিমোভ এয়রষ্ট্রাইক অমদা শিরে হায়না ফোঙদোকখি।

হান্না কর্নেল অমা ওইরম্বদগী মহাক টাজিক ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পেসল য়ুনিটকী মকোক ওইরকখি অমসুং কুমজা ২০১৫ দা আই এস য়াওদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক অমেরিকান ট্রেনিং ফংখি। কুমজা ২০১৫ গী মেদা টাজিকিষ্টানদগী চেনখিবা মতুংদা থাদোকখিবা ভিদিও অমদা খালিমোভনা জিহাদিষ্ট গ্রুপ আই এস আই এসপু শৌগৎপা ফোঙদোকখি। ফুটেজ অদুদা মহাক্না চেকশিনৱা পীরদুনা মহাক অমসুং মিদ্দল ইষ্টতা বেজ ওইবা অতৈ আই এস রিক্রুটশিংনা মতম শাংনা পাল্লক্লবা প্রসিদেন্ট ইমোমালি রাখমোন য়াওনা লৈবাক অদুগী (টাজিকিষ্টানগী) টোপ ওফিসলশিং টার্গেট তৌবা লাক্কনি হায়খি।

# ‘অফঘান কনফ্লিক্টকী মতাংদা পোলিটিকেল সোল্যুসননা খ্বাইদগী ফগনি হায়না চাইনা অমসুং পাকিষ্টাননা য়ানরে’

বৈজিং, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ এসিয়াগা মরী লৈনবা যু এসকী অনৌবা পোলিসিগী মতাংদা খন্ননবগীদমক্তা পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্টর খাৱাজা অসিফ ইরাই নুমিৎতা চাইনাদা থুংখ্রে।

বৈজিংদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িগা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা অপূনবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংলদুনা অসিফনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অনীনা অফঘান কনফ্লিক্টকী সোল্যুসনদি মরুওইনা পোলিটিকেলগী পান্থৈনা ওইগনি অমসুং ইসূ অদুগী মতাংদা মিলিটরি সোল্যুসন য়ারোই হায়না য়ানখি।

পাকিষ্টান অমসুং চাইনানা পূন্না হোৎনদুনা কনফ্লিক্ট অদুগী পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরকপদা মতেং চাউনা পাংবা ঙমগনি হায়রদুনা চাইনানা অফঘান কনফ্লিক্ট লোইশিন্নবা হোৎনরিবশিংবু মহাক্না থাগৎখি।

চৈরকসিদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টরনা হায়খ্রে মদুদি, হোংলক্লিবা রিজনেল অমসুং মালেমগী শক্তমশিংদা পাকিষ্টান অমসুং চাইনানা অমৎতা ওইনা লেপমিন্নরি। পাকিষ্টাননা মসিগী নেস্নেল সোভরেন্টি অমসুং ডিগনিটি কন্নবা হোৎনবগী মওং চাইনানা শৌগৎলি হায়না মহাক্না হায়খি।

অফঘানিষ্টাননা মরা চেৎনা অমসুং ইংনা লৈবা হায়বসি পাকিষ্টান, চাইনা অমসুং লমদম অসিগী লৈবাক পূম্নমক্কী অপাম্বনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অফঘানিষ্টাননা লূচিংবা অমসুং লৈবাক অসিগী ওইজগদবা পীছ অমসুং শন্তাইনবগী প্রোসেস খুমাঙ চাওশিনহনবনা অফঘান ইসূ য়েংশিনবগী খ্বাইদগী চৎনবা য়াবা লম্বী ওইগনি হায়না ঐখোয়না অমুক হন্না চেকশিন্না হায়রি।



অফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগী মরক্তা অমগা অমগা মতেং পাংনবা হেনগৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নননা য়িনা হায়খি, মহাক্কী লৈবাক্না পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগী মরক্তা লৈনরিবা মরী ফগৎহন্নবা তৌবদা মতেং পাংনবা শেম-শাদুনা লৈ।

চাইনাগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা অসিফনা ইরানদা চৎকনি। মহাক্না রশিয়া অমসুং টর্কিগী লীদরশিংগসু লৈবাকশিং অসিদা চৎতুনা উনগনি।

মোস্কো অমসুং বৈজিং অনীমক্না পাকিষ্টানগী মতাংদা যু এসনা লৌরিবা ফিরেপ্পু ক্রিটিসাইজ তৌখি অমসুং অফঘানিষ্টানদা পীছ পুরকপদা পাকিষ্টাননা হোৎনরিবশিং মরুওই অমসুং টেররিজম থেংনবদা লৈবাক অসিনা কৎথোক্লিবশিং খঙফম থোকই হায়খি।

# গল্ফকী ডিপ্লোমেটিক ৱাথোক্তা ৱাতেম্বগীদমক ট্রম্পনা কুৱেটপু থাগৎখ্রে



ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :
কটর অমসুং মসিগী য়ূমলোন্নবা অরাব লৈবাকশিংগী মরক্তা থোক্লিবা ডিপ্লোমেটিক ৱাথোক্কী ৱাতেম্বদা অমেরিকাগী অচেৎপা মীচং অমা ওইরিবা কুৱেটকী লীদরনা লৌরিবা থৌদাংবু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাগৎখ্রে।

অদুম ওইনমক দোহাবু হৌজিক বোইকোট তৌরিবা অরাব লৈবাক মরিনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা থোকখিবা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং য়াওবা ষ্টেটমেন্ট অমনা শৈইখ সাবাহ অল অহম্মদ অল সাবাহগী কম্মেন্ট খরা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা গল্ফ লমদমবু নিকহল্লিবা ডিপ্লোমেটিক ৱাথোক অদু লোইশিনবদা ৱানা থোক্তদৌরি হায়বগী ইঙ্গিৎ লৈরে হায়রি।

হ্বাইট হাউসতা শৈইখ সাবাহগা লোয়নননা পাঙথোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ট্রম্পনা হায়খি, মায় পাকপা ঙমদ্রবসু এমির অদুনা হৌজিক ফাওবদা কটর অমসুং য়ূমলোন্নবা অরাব লৈবাক ৫ - সাউদি অরাবিয়া, য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস, বাহরেন অমসুং ইজিপ্টকী মরক্তা মুক্নরিবদু লোইশিনবা য়ানবা থৱাই য়াওনা হোৎনরক্লিবদু মহাক্কী মায়কৈদগী থাগৎলি। লমদম অদুদা মরা চেৎপা ফিভম লৈহন্নবা হোৎনবদা কুৱেটনা লৌরিবা মরু ওইবা থৌদাংবু মহাক্না ফাগৎখি। কুৱেটপু থাগৎপগা লোয়নননা মহাক্না মশামকসু ৱাতেম্বদা য়াওগে, মরুওইনা কটর অমসুং সাউদি অরাবিয়া অমসুং যু এ ঈগী মরক্তা ৱাতেমগে হায়না নৌহৌননা অমুক মহাক্না ওফর তৌখি। মহাক্না মহাক মশামক য়াওরবদি য়াম্না থুনা দিল অমা পুরকপা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ট্রম্পনা হায়খি, গল্ফ কোওপরেসন কাউন্সিলগী মেম্বরশিং ওইরিবা ৱাথোক অদুদা চেন্নরিবা লৈবাক খূদিংমক ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা লান্থেংনবা য়াওনা এক্সট্রিমিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়াম্না মরুওইবা পার্টনরশিংনি।

জি সী সীনা অমৎতা ওইবা ৱাখল্লোনগা লোয়নননা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নরবা মতমদা ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না মায় পাক্কনি অমসুং ঐখোয়না টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং রিজনেল এগ্রেসরশিং অনীমক্তা মখোয় মায় পাকপা ঙম্লোই হায়বগী অকনবা পাউজেল অমা পীগনি হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখি।

# হরিকেন ইর্মানা করিবীনদা মীওই ১৪ হাৎখ্রে, ফ্লোরিদা মায়কৈ তম্লক্লি

প্রোভিদেন্সিলজ, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :
চহীচা অমগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈরবা এটলান্টিককী নোংলৈ-নুংশিৎশিংগী মনুংদগী অমা ওইনা ফ্লোরিদাদা থুংবা য়াবগী লম্বীদা করিবীন ঈথৎ পরিংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনবগা লোয়নননা লমদম অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিহনখিবা হরিকেন ইর্মা য়ৌরকপগী শেম-শাবা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা টর্ক্স অমসুং কৈকোস ঈথৎশিংদা লৈবা মীশিং শাফগদবা মফমশিংদা লৈনখ্রে হায়রি।



পূংদা মাইল ১৮৫ (কিলোমিটর ২৯০) গী চাংগী খোঙজেল ওইবা নুংশিৎশিং চেনবা ফ্রান্সকী সাইজমুক চাউবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা বার্ব্যুদা, সেন্ট মার্টিন অমসুং বৃটিশ অমসুং যু এসকী ভর্জিন ঈথৎশিং য়াওনা অৱাং নোংপোক করিবীনদা লৈবা ঈথৎ মচাশিংদা শাথীনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। উ-পাম্বীশিং থুদেকখ্রে অমসুং য়ূম অমসুং হোস্পিটাল কয়া পূমতোই তোইনা মাঙহনখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎতা নুংশিৎকী খোঙজেল পূংদা মাইল ১৭৫ দা হন্থদুনা খরা তপথখিবগা লোয়নননা ইর্মানা দোমিনিকান রিপব্লিক অমসুং হাইটিগী অৱাং থংবা কোষ্টশিংদা নোং কন্না চুহনখি অমসুং টর্ক্স অমসুং কৈকোস ঈথৎশিংদা হরিকেন শাফুগী নুংশিৎশিং পুরকখি। মদু খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওইরবা কেটিগরি ৫ গী নোংলৈ-নুংশিৎ অমা ওইনা লেপ্তুনা শিৎখি। কেটিগরি অসি নেস্নেল হরিকেন সেন্টর (এন এচ সী) না পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্নি।

টর্ক্স অমসুং কৈকোসতগী খারোমদা মাইল ৪০ রোম লাপ্পা শিৎলিবা হরিকেন ইর্মা শগোলশেনগী অথেংবদা বাহামাসতা থুংগনি অমসুং মদুগী মতুং ক্যুবাদা চঙশিল্লগা নোংমাইজিং নুমিৎতা য়াম্না মতিক-ময়ায় লৈরবা কেটিগরি ৪ গী শাফুগা লোয়নননা ফ্লোরিদাগী খা থংবা শরুক্তা শিৎচিনগনি হায়রি।

ফ্লোরিদাগী ইমর্জেন্সি ওফিসলশিংনা মীশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনবা হৌখ্রে, টুরিষ্টশিংদা হোটেল থাদোক্লবা খঙহনখ্রে। শগোলশেন নুমিৎতা মাইয়ামিগী ফোর্ট লাউদরদেল এরিয়াদা থাউ লৈনবগী চাং মহৌশাদগী শরুক মঙা হেনগৎখিবগা লোয়নননা মফমদুদা থাউ ফংদবগী প্রোব্লেম লৈখি হায়রি।

# ইন্দিয়াদগী লৈবা খুৎলাইশিং কান্নে : ভিয়েটনাম

হানোই, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :
ভিয়েটনামমনা এন্টি-সিপ ক্রুজ মিসাইলশিং লৌখি হায়বা ৱাফম ইন্দিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা হানোইনা লৈবাক অনীগী ডিফেন্সকী মরীশিংগী তঙাইফদবা পনবগা লোয়নননা লৈবাক অসিনা মসিগী সোভরেন্টি ঙাক্লবা ইন্দিয়াদগী মখা তানা মিলিটরি ইক্কিপমেন্ট লৈখিবনি হায়খ্রে।



টি ও আইগী ইন্টরভ্যু অমদা ভিয়েটনামগী অম্বেসেদর টোন সিন টাননা হায়খি, চাইনানা য়ানিংদবা লৈরবসু ভিয়েটনামমনা সাউথ চাইনা সীগী ভিয়েটনামগী কোষ্টকী মনাক্তা থাউ অমসুং গ্যেস থিবদা মখা তানা ইন্দিয়াগী মতেং লৌখিগনি, মরমদি মফম অদু ভিয়েটনামগী এক্সক্লুসিভ ইকনোমিক জোনগী মনুং চল্লি।

সাউথ চাইনা সীগী মশাগী লৈজবা ফিভমদা অহোংবা লাকহল্লি হায়না চাইনাবু মরাল শিবগা লোয়নননা অম্বেসেদর অসিনা হায়খি, মফম অদুদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু ইন্দিয়ন অমসুং চাইনিজ ট্রুপশিংনা থা অনী চুপ্পা মুক্নখিবা দোক্লামগী ফিভমগা মান্নবরা হায়বদু মীশিংনা য়েংজবা য়াগনি।

চাইনানা এস সি এসতা খুৎশেমগী ঈথৎশিং শেম্বদগী অমসুং মফমদুদা নীংতম্না নেভিগেসন তৌবদা অকিবা পোকহনবগী মওংদা মিলিটরি ইক্কিপমেন্ট পৈশিনবদগী সী অদুগী মশাগী লৈজবা ফিভমদা অহোংবা কয়া লাকহল্লে। মরম অদুনা মীশিংনা মদু দোক্লামদা লৈখিবা ফিভমদুগা মান্নব্রা হায়বদু য়েংজবা য়াগনি হায়না টাননা ফোঙদোকখি।

# সিরিয়াগী সাইটশিংদা এয়রষ্ট্রাইক চথবনা কেমিকেল খুৎলাইদা মালেমগী পুক্নিং অমুক হন্না চিংশিনখ্রে

*জেরুসালেম, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :*
*ইজরেলনা শগোলশেন নুমিৎকী অহিংদা কেমিকেল খুৎলাইশিং অমসুং এদভান্স মিসাইলশিং শাফমনি হায়বা সিরিয়াগী মিলিটরি সাইটশিংদা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথখিবনা সিরিয়াগী কেমিকেল খুৎলাইশিংদা নৌহৌননা মালেমগী পুক্নিং চিংশিল্লে হায়রি। মদু ইজরেলনা য়েক্লবশিংবু শাথীবা খুৎলাইশিং পায়হন্দনবা হোৎনবদা হেন্না থৱাই য়াওশিল্লকপগী থৌওং অমনি হায়নসু থাজনরি।*

*সিরিয়ন মিলিটরিনা ফোঙদোকখি মদুদি, ইজরেলি ৱার প্লেনশিংনা শগোলশেনগী অঙনবদা সাইটশিংদুদা ষ্ট্রাইক তৌখি অমসুং নোংচুপ থংবা সিরিয়াগী মাস্যাপ টাউনগী মনাক্তা মীওই অনী শিখি অমসুং পোৎ চৈ কয়া অমাঙ অতা থোকখি।*

*ইজরেলি ওফিসলশিংনা ষ্ট্রাইক অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট অমৎতা পীখিদে, তৌইগুম্বসুং সিরিয়াগী মোনিটরিং গ্রুপ অমা অমসুং হান্নগী ইজরেলি ওফিসল অনীনা ইজরেলনা কেমিকেল খুৎলাই পুথোকপা গভর্নমেন্ট এজেন্সী অমগী ইনষ্টোলেসনদা অমসুং খুমাঙ চাওশিল্লবা মিসাইলশিং পুথোকফম ওইবা মিলিটরি বেজ অমদা টার্গেট তৌখি।*

*ষ্ট্রাইক অদু হৌখিবা এপ্রিলদা সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা খান শৈখুন টাউনদা চথখিবা এটেক অমদা কেমিকেল খুৎলাইশিং শীজিন্নখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কম্মিসন অমনা মরাল শিখিবা মতুং নোংমা লৈরগা চথখিবনি। পনবা য়াই, সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা টাউন অদুদা চথখিবা এটেক অদুদা মীওই দজন কয়া শিখি অমসুং ক্লিনিকশিং শ্বর হোনবদা ৱাবা ভিক্টিমশিংনা থনখি।*

*ফোরন গভর্নমেন্টশিং অমসুং ন্যুজ ওর্গনাইজেসনশিংনা মমাঙদা সিরিয়ন ফোর্সশিংনা এটেক অদু পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ৱাখল অনী থোক্না খন্নিঙাই ওইদবা মওংদা এটেক অদু কন্দেম তৌখিবনা সিরিয়ন গভর্নমেন্টবু থৌদোক অদুগীদমক মরাল শিবা খ্বাইদগী অকনবা ৱারোল ওইখি।*